

ইম্পীচমেন্ট ট্রাইয়ল খুদক্তা চথবনা ফগনি

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খ্রে মদুদি, সিনেটনা খুদক্তা ইম্পীচমেন্ট ট্রাইয়ল চথবা হায়বসি মহাক্কী অপাম্বনি। রিপব্লিকানশিংনা করম্না ইম্পীচমেন্টকী প্রোসিদিং মেনেজ তৌগদগে হায়বসি খঙদ্রিফাওবা সিনেটতা ইম্পীচমেন্ট ট্রাইয়লগী থবক শীন্নখিরোই হায়না হাউসগী স্পীকর নেন্সি পেলোসিনা হায়খিবা মতুংদা দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

রসিয়ানা নোর্মেল মরী পাম্মী

মোস্কো, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
শেল-থুমগী অথিংবা থম্বা হায়বসিনা নাকল অনীমক্তা শোকহনগদবা ওইবনা রসিয়ানা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা মহৌশাগী ওইবা মওংগী মরী থম্নবা পাম্মী হায়না রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন্না ফোঙদোকখ্রে। ইষ্টর্ন য়ুক্রেনগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ঈ য়ুনা হৌখিবা ২০১৪ গী জুলাই অমসুং সেপ্তেম্বরদা রসিয়াদা অথিংবশিং থমখিবনি।

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উংখৎনবা হেনগৎলকপদগী য়ু এস এনভোইগা সিনিয়র চাইনিজ দিপ্লোমেটকা ৱারী শানখ্রে

বৈজিং, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
চাইনাগী ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর লে য়ুচেংনা ইরাই নুমিত্তা বৈজিংদা নোর্থ কোরিয়ন এফ্যেরসকা মরী লৈনবা য়ু এসগী স্পেসল এনভোই ষ্টেফেন বৈগনগা ৱারী শানখ্রে হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অনী উনরিবদু কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিকুঁডে চৈরক্তা নুমিৎ নিনিগী মনুংদা য়ু এস স্পেসল এনভোইনা বৈজিংদা চাইনাগী অৱাংবা থাক্কী ওফিসলগা উনবা অনীশুবনি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা পরিং নাইনা খুৎলায় চাংয়েং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এক্সপার্ট খরনা চাংয়েংশিং অদু মালেমদগী তোঙান্দুনা লৈরিবা লৈবাক অসিনা ইন্টরকন্তিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অমা য়াম্না থুনা চাংয়েং তৌনবগী শেম শাবা ওইরম্বা য়াই হায়না মোৎ পীনরি।

অসিগুম্বা চায়েং অমা পাঙথোরকপা তারবদি মদু নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা চহীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শান্নবদা য়ানখিবা ৱাফমশিং থুগায়বগী খোঙথাং ওইবনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং লোইশিন্নবগী পান্দমদা ৱারী মখা চথবগী থৌরাং পুম্বা অরেম্বা তাহনবগা লোয়ননা লৈবাক অনী অসি অমুক হান্না কন্না মুক্নবগী ফিভম লাকহনবা য়াই হায়রি।

ন্যুজ ব্রিফিং অমদা লে অমসুং বৈগনগী মীফম অদুবু পনখিবা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা মীফম অদুদা লুচিংবা অনীনা করি করি ৱাফম খন্নখিবগে হায়বা কুপ্পা পনখিদে। চাইনানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং নোর্থ কোরিয়া অনীমক্তা দাইলোগ মখা চথবা হৌনবা তকশিল্লি হায়না মহাক্না নৌহৈননা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনা অমসুং রসিয়াগী অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা থল্লিবা শেল-থুমগী অথিংবা খরা কোমথোক্নবা তকশিনখিবা মতুংদা বৈগন্না বৈজিং খোঙচৎ অসি পাঙথোক্লিবনি।

রসিয়াগী এফ এস বি সিক্যুরিটি হেদ ক্বার্টসতা এটেক তৌবদা অমা শিরে

মোস্কো, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা লৈরিবা রসিয়াগী ফেদরেল সিক্যুরিটি সর্ভিস নৎত্রগা এফ এস বিগী হেদ ক্বাটরসতা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা খুৎলায় পায়বা মীওই অমনা নোংকৈ কাপ্পুনা চথখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিরে হায়না রসিয়ন ন্যুজ আউলেটশিংনা হায়রি।

মোস্কোগী লুবিয়ানকা স্কোৱারদা লৈরিবা রসিয়ন স্পাই এজেন্সিগী মপান্দা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল খরা তাবা ফংখি। সোসল-মিদিয়া ফুটেজনা বিল্ডিং অদুগী মনাক্তা এসোল্ট রাইফলসশিং পায়বা পুলিস ওফিসর কয়ানা কোইচেন চেনবগী শত্তম উৎখি। এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না এটেক অদুদা ফেদরেল সিক্যুরিটি সর্ভিসকী সিক্যুরিটি ওফিসর অমা শিখিবগা লোয়ননা খুৎলায় পায়বা এটেক্কর অদুসু সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা হাৎখি।

ন্যুজ এজেন্সি খরগী মতুং ইন্না নোংমৈগী এটেক অদু রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিন্না লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি সর্ভিসেস নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙবগা চান্ননা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

চাইনানা ফোরেন ফোর্সশিং হোং কোং, মাকাওদা খুৎ থিংজিনহল্লোই

মাকাও, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
চাইনানা ফোরেন ফোর্সশিংবু লৈবাক অসিগী স্পেসল রিজনশিং ওইরিবা হোং কোং অমসুং মাকাওদা কৈদৌঙৈদসু খুৎ থিংজিনহল্লোই হায়না চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

গেমব্লিং হব অদুগী অনৌবা প্রো-বৈজিং গভর্নমেন্ট অমা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা সীনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মাকাওবু চাইনিজ লৈঙাক্তা শীন্নখিবগী ২০ শুবা কুমওন নুমিৎকী থৌরম অমদা ৱা ঙাঙবদা প্রসিদেন্ট সীনা হান্নগী পোত্যুগিজ কোলোনি অসিবু লৈবাক নীংবা অমসুং বৈজিংগী ওথোরিটিদা থাজবা থম্লগা থবক তৌদুনা লাকপগীদমক থাগৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মাকাওগা নক্লনা লৈরিবা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি হোং কোংদা থা তরুক চুপ্পা চথরক্লিবা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগী মতাংদদি হকথেংননা পনখিদে।

হোং কোং অমসুং মাকাওনা ইমা লৈবাক্তা হল্লকখিবদগী স্পেসল এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিজন অনী অসিগী এফ্যেরস দিল তৌবা হায়বসি চাইনাগী ইন্টরনেল এফ্যেরসকী মনুং চল্লি অমসুং মসিদা ফোরেন ফোর্সশিংনা করিমত্তা তৌনিংঙাই লৈতে হায়বা ৱাফম অসি ঐহাক্না চেৎনা থল্লি হায়না পনবগা লোয়ননা সীনা হায়খি মদুদি, ঐখোয়না মপানগী ফোর্স অমত্তা ঐখোয়গী মনুংগী ওইবা ৱাথোক লান্থোকশিংদা খুৎ থিংজিনহল্লোই।

মাকাও অসি কুমজা ১৯৯৯ গী দিসেম্বর ২০ দা ওতোনোমি মরাং কায়না ফংহন্নবগী পান্দমদা হোং কোংবুসু গভর্ন তৌরিবা ৱান কন্ত্রি, টু সিষ্টেমসকী ফোর্ম্যুলা অসিগা লোয়ননা চাইনিজ লৈঙাক্তা হল্লকখিবনি। হোং কোংগী প্রোটেষ্টরশিংনা মখোয়গী ফ্রীদমশিং বৈজিংনা ময়াই চমহন্নবা হোৎনরক্লি হায়না থাজবদগী অশাওবা উৎলবসু মাকাওগী ওইনদি ঙসি ফাওবদা তুমিন্না লৈদুনা লাক্লি।

অমরোমদা, বৈজিংগী মায়কৈদগী হোং কোংগী ওতোনোমিদা অকায়বা পীনবা হোৎনবগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা এসিয়াগী ফাইনান্সিএল হব অদুদা থোক্লিবা ইরাং অদু য়ু এস অমসুং বৃটেন য়াওনা মপানগী গভর্নমেন্টশিংগী খুৎনি হায়রি।

জপানগী পি এমনা ইরানগী রৌহানিদা ন্যুক্লিয়র দিল ঙাক্নবা তকশিনখ্রে

টোকিয়ো, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
নোংচুপ্লোমগী পৱার খরগা কুমজা ২০১৫ দা য়ানখিবা মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র দিলদা পল্লিবা ঙাকফম থোকপা ৱাফমশিং ঙাক্ননবা ইরাই নুমিত্তা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেনা ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিদা তকশিনখিবগা লোয়ননা মিদল ইষ্টতা তং তাবা ফিভম অমা লাকহন্নবা হোৎনবদা জপানগী মায়কৈদগী হোৎনবা য়াবা পুম্নমক হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না থাজবা পীখ্রে।

মিদিল ইষ্টতা উংখৎনবা হন্থনবা অমসুং লমদম অসিদা মরা চেৎপা তং তাবা ফিভম অমা লাকহন্নবা হোৎনবদা জপান্না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়না টোকিয়োদা লুচিংবা অনীগী মীফম অমা হৌরকপদা অবেনা রৌহানিদা হায়খি।

ইরানগী ওইনদি লৈবাক অসিনা ন্যুক্লিয়র এগ্রীমেন্ট মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌদুনা মিদল ইষ্টতা মরা তপ্পা অমসুং তং তাবা ফিভম লাকহনবদা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা থৌদাং অমা লৌগনি হায়না ঐহাক্না চেৎনা থাজে।

ইরান, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অতৈ লৈবাক খরনা কুমজা ২০১৫ দা সাইন তৌনখিবা জে ইন্ট কমপ্রিহেন্সিভ প্লান ওফ এক্সন (জে সী পি ও এ)গী মখাদা ইরানগী য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট কেপাসিটি টেহরান্না কন্ত্রোল তৌগদবনি। অমরোমদা, মালেমগী পৱারশিংনা ইরানদা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোক্কদবনি।

ইরানবু ন্যুক্লিয়র বোম অমা শাবা থিংনবগী পান্দমদা পুথোকখিবা দিল অদুদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মতুং তারকপদা ৱিথদ্রো তৌখিবগা লোয়ননা ইরানগী শেল-থুমগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক অসিগী মথক্তা হান্নদগী হেন্না কনবা অথিংবা কয়া থমজিনবিনি।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী মখাদা য়ু এসনা লৌখৎলকখিবা খোঙথাং অসিবু কন্না য়ানিংদবা উৎলদুনা ইরান্না চহী অসিদা দিল অদুদা পল্লিবা লৈবাক অসিনা ঙাকফম থোকপা ৱাফমশিং তাঙ্কক নাইনা থুগায়বগী খোঙথাং লৌখৎখি।

মীফম অদুদা রৌহানিনা অবেদা ন্যুক্লিয়র দিল অদু কায়হন্দনা থম্নবা অতৈ লৈবাকশিংগা খুৎশম্ননা হোৎনমিন্নবগী ৱাফম হৌদোকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা লাম্মৈ চাকপদা ফায়র ফাইটর ২ য়াওনা মীওই ৩ শিরে

সিদনি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
ওষ্ট্রেলিয়াগী মফম কয়াদা নারক মোংশোংশিং পাক্তক্লনা মৈ চাকপগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা ভোলন্টিয়র ফায়র ফাইটর অনী য়াওনা মীওই অহুম শিরে অমসুং অতৈ মীওই দজন কয়ানা অশোক-অপন নংলে হায়না ইরাই নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইফে ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না খ্বাইদগী নৌনা মী শিখিবগী পাউ অদু সাউথ ওষ্ট্রেলিয়া ষ্টেটতগী লাকখি। মফম অদুদা অতোপ্পা মীওই অমা থিবা খঙখিদবগী অমদি ফায়র ফাইটর ৪ অমসুং পুলিস ওফিসর ৩ মৈনা ৱাইদুনা নৎত্রগা মৈখু হোঞ্জিনবদগী শোকপগী পাউসু লাকখি।

হৌজিক ওথোরিটিশিংনা তোঙান তোঙানবা মফম ১২০ দা চাক্লিবা লাম্মৈ লাকশিন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা সিদনি সিটিগী খা নোংচুপ্লোমদা কিলোমিটর ১০০ রোম লাপ্পা লৈবা বর্গষ্টনগী মনাক্তা মীওই অনী অমসু শিখি।

ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেট রুরেল ফায়র সর্ভিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ফায়র ফাইটরশিং তোংলিবা ট্রক অদু উ অমদা থোমজিল্লগা মথক মখা ওনবদগী মীওই অনী অদু শিখিবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা য়ুম কয়া মৈ চাকহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা বিল্ডিংনচিংবশিংদা চাওনা অকিবা পীরিবা গ্রীন ৱাটলে ক্রিক্তা চাক্লিবা লাম্মৈ ফায়র ফাইটরশিংনা কন্ত্রোল তৌননবা কন্না হোৎনখি।

ইনৌ নৌনা মীওই অহুম শিরিবসি থারগা ন্যু সাউথ ৱেলসতা হৌখিবা জুলাই ৮ দগী হৌজিক ফাওবদা থোক্লিবা লাম্মৈ চাকপদা শিখিবা মীগী মশিং ৮ য়ৌরে। ফায়র ফাইটরশিং শিখিবগা মরী লৈননা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসন্না ইরাই নুমিত্তা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়না মমল য়াম্লবা থৱায় ফাওবা কথোক্তুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম কন্নবা হোৎনখ্রিবসি মতম পুম্বদা নীংশিংদুনা লৈরগনি হায়খি

ইরাক্তা মীখল ঙন্না পাঙথোকপনা খ্বাইদগী ফবা পান্বে ওইগনি

বাঘদাদ, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
ইরাক্তা হৌজিক থৌক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবগী খ্বাইদগী ফবা পান্বেদি লৈবাক অসিদা মীখল ঙন্না পাঙথোক্তুনা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্বনা ওইগনি হায়না লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা সিয়াইট ক্লারিক গ্রান্দ অয়াতোলা আলি অল-সিষ্টানিনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ওক্তোবর ১ দা মীয়াম্না লৈবাক অসিদা ইরাং হৌবা হৌখিবদগী অয়াম্বনা খুৎলায় পায়দবা দেমোনষ্ট্রেটরশিং ওইদুনা অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওই খরসু য়াওনা পুন্না মীওই ৪৫০ হেন্না শিখ্রবনি। নহা ওইরিবশিংনা অয়াম্বা ওইবা প্রোটেষ্টরশিং অসিনা মখোয়গী মীৎয়েংদা শেঞ্জা-থুমজা অমদি অরান-অহুই কয়ানা থন্দুনা ইরাক্কি অয়াম্ববু লায়রহল্লিবা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল সিষ্টেমদা মশক থোক্লা অহোংবা লাকহন্নবা দিমান্দ তৌরিবনি।

হৌজিক্কী ক্রাইসিস অসি লোইশিন্নবগী খ্বাইদগী থুবা অমদি খ্বাইদগী ময়াই তপ্পা পান্বে ওইবগা লোয়ননা কাং খোং চাইবগী ফিভম অমা লাকহন্দনবগী খোঙথাংদি ফজরবা ইলেক্তোরেল লো অমা শেম্লবা মতুংদা লৈবাক অসিদা মীখল ঙন্না পাঙথোকপনা ওইগনি হায়না সিষ্টানিনা ফোঙদোকখি।

সাইনো-ব্রাজিলিয়ন সর্ভিলেন্স সেট্টলাইট চাইনাদগী থাগৎখ্রে

বৈজিং, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
অনৌবা সাইনো-ব্রাজিলিয়ন সেট্টলাইট অমা ইরাই নুমিত্তা চাইনিজ সেন্টর অমদগী থাগত্তুনা ওর্বিটতা থমখ্রে হায়না চাইনাগী নেসনল স্পেস এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

সান্সি প্রোভিন্সকী তাইয়ুৱান সেন্টরদগী অয়ুক পুং ১১.২২ তাবা মতমদা চাইনা-ব্রাজিল আর্থ রিছোর্সেস সেট্টলাইট-৪এ (সী বি ঈ আর - ৪এ) লোঞ্চ তৌখিবা অসি লৈবাক অনীগী মরক্তা পায়খৎপা অসিগুম্বা মখলগী তরুকশুবা প্রোজেক্টনি। মসিনা ব্রাজিল অমসুং চইনাগী মরী হেন্না চেৎশিলহল্লগনি হায়না ইফে ন্যুজগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ব্রাজিলগী নেসনল ইন্সটিট্যুট ফোর স্পেস রিছার্সকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, প্রোজেক্ট অসিনা য়ুনিভর্সিটি, গভর্নমেন্ট অমসুং কম্পনি রিছার্সকী লমশিংদা চাইনাগা মখা তানা মরী লৈহল্লগনি। সী বি ঈ আর প্রোজেক্ট অসি লৈবাক অনীনা চহী ২০ হেনবগী মমাংদা পায়খৎমিন্নবা হৌখিবনি। মসিনা লৈবাক অনী অসি সর্ভিলেন্স টেক্নোলোজি মার্কেটকী কান্নবশিং ফংহল্লগনি।

IN THE COURT OF THE SUB-DIVISIONAL OFFICER; BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case No. 40/SDO/Bishnupur, 2019

Leitanthem Rajen Singh S/o (L) L. Bidhu Singh of Khoijuman Khullen. ...*Petitioner*

-Vs-

1) Wahengbam (N) Leitanthem (O) Sumati Devi W/o W. Rajen Singh of Khoijuman Khullen
2) Leimapokpam Umabati Devi D/o L. Munindro Singh of Chingamakha Ningthoujam Leikai, Imphal. - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 16th December, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি (1) Wahengbam (N) Leitanthem (O) Sumati Devi W/o W. Rajen Singh of Khoijuman Khullen অমদি (2) Leimapokpam Umabati Devi D/o L. Munindro Singh of Chingamakha Ningthoujam Leikai, Imphal অনীগী মিংদা পানবা খুল নং ৩৯ - খোইজুমান খুল্লেনগী পাট্টা নং 223 (Old)/83/765 (New), C.S Dag No. 1243 গী 1.66 acres চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার নং ১ মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী মীংদা 1.04 acres out of 1.66 acres নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরনি।

HL-P/5608/21 *Sd/-* **Sub-Divisional Officer, Bishnupur**

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY

In aid of
Participation of Nahakpam Apabi Memorial 3rd Division League
Org. by: Youth Welfare Club (Y.W.C), Thambalkhong
Estd. 1955 | Regd.no: 692/1966

Date | Time :
21st December 2019 (6 p.m)

VENUE: THAMBALKHONG
JUNIOR HIGH SCHOOL

Ticket Rate Rs.1500/-

1st Quick Five Rs. 6,000/-	2nd Quick Five Rs. 4,000/-
1st Line Rs. 6,000/-	2nd 1st Line Rs. 4,000/-
1st 2nd Line Rs. 6,000/-	2nd 2nd Line Rs. 4,000/-
1st 3rd Line Rs. 6,000/-	2nd 3rd Line Rs. 4,000/-
1st Star Rs. 6,000/-	2nd Star Rs. 4,000/-

1ST HOUSEFULL 2 LAKHS
2ND HOUSEFULL 1 LAKHS
3RD HOUSEFULL 1 LAKHS
4TH HOUSEFULL 1 LAKHS

MINI BUMPER
TICKET RATE - Rs.500/-
1st Housefull Activa 5g
2nd Housefull Activa 5g
3rd Housefull Activa 5g

2ND MINI BUMPER
Ticket Rate Rs.100/-
Housefull - Rs.12,000/-
2 TICKET QUICK 10 Rs.3000/-

HL-P/5552/21

IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-V, LAMPHEL

Ref :- Mut. Case No. 657/AS & SO-V, 2019

Sukuma W/o Anish of Lillong Bazar. -Petitioner

-Vs-

(Late) Muktar Huisen Choudhuri S/o (L) Manirudhin of Hatta (Co-Pattadar No. 2) -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 20/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ১০২ - হফিজ হাট্টাগী পাট্টা অরিবা নং ১১, অনৌবা পাট্টা নং ৩৯, দাগ নং ৩৮, এরিয়া .২৫ চাউবা ইখ্খোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইখ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

HL-P/5553/21 *Sd/-* **Asstt. Survey & Settlement Officer, Imphal**

IN THE COURT OF SUB-DIVISIONAL OFFICER; BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case No. 42/SDO/Bishnupur, 2019

Pukhrambam Shyamchand Singh S/o (L) Iboyaima Singh of Nachou Chingdong ...*Petitioner*

-Vs-

Pukhrambam Iboyaima Singh S/o (L) Kalachand Singh of Nachou.- O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 18/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Pukhrambam Iboyaima Singh S/o (L) Kalachand Singh of Nachou দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং 698 (অনৌবা), সী এস দাগ নং 2024 Acre 0.50 under Revenue Village No. 38 Bishnupur Kha চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/5551/21 *Sd/-* **Sub-Divisional Officer, Bishnupur**

HL-P/5550/21

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

Ref :- Mut. Case No. 568/SDC/IW/LC of 2019

Leimapokpam Premchandra Singh S/o (L) Leimapokpam Kumudo Singh of Haoreibi Awang Leikai. ...*Petitioner*

-Vs-

Leimapokpam Khomdang Singh S/o (L) L. Kanti Singh of Haoreibi.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Lilong Chajing, the 20th Dec., 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৭০- চজিংগী পাট্টা অমগী অরিবা পাট্টা নম্বর ১৬৯, অনৌবা পাট্টা নম্বর ৫০৫, দাগ নম্বর ৯৩, এরিয়া ১.৩৯ একর চাউবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার লৈমপোকপম খোমদাং সিংহ পী: কান্তি সিংহ সাং হাওরৈবী হায়রিবা মীওই অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা পানবা তাওথবী লৌফম অসি মথক্তা পঞ্জরিবা পিটিস্নর অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা 'নোটিশ' অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong Chajing, Imphal West

IN THE COURT OF SUB-DIVISIONAL OFFICER; BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case No. 41/SDO/Bishnupur, 2019

Chongtham Leihao Devi W/o (L) Ch. Amuba Singh of Khoijuman Khullen ...*Petitioner*

-Vs-

Chongtham Tomba Singh S/o (L) Ch. Kanhai Singh of Khoijuman Khullen - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 20th December, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Chongtham Tomba Singh S/o (L) Ch. Kanhai Singh of Khoijuman Khullen দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং ৩৯ - খোইজুমান খুল্লেনগী পাট্টা নং 39/53 (অরিবা), 39/110 (অনৌবা), সী এস দাগ নং 253 গী 0.67 acre চাউবা অসিগী মনুংদগী 0.23 acre চাউবা ইখ্খোল অসিগী পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/5551/21 *Sd/-* **Sub-Divisional Officer, Bishnupur**